**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-12-2025)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৮-১২-২০২৫, নিংথৌকাবা)**

----

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থরোইজমদগী বোম য়াওনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙল্লে।

২) সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৩৮ য়ৌরে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতকী পান্দম ওইরিবা 'ভিকাস ভি, ভিরাসট ভি' অসিনা কলা সংস্কৃতিগী লমদা হেন্না চাউখৎপা মতমগা চুনবা ঙমহল্লগনি।

----

**পুলিস (এল):** সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী থরোইজমদগী বোম য়াওনা য়াল্লবা খূৎশু খূৎলাই কয়া ফাগৎপা ঙল্লে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমা থোকপা চেরোল অমনা হায়-রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা

চংশিল্লি। ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস স্তেসননা কোনবা থরোইজম অৱাং লৈকাইগী আই.ভি.আরদগী ঐচ.ঈ.গ্রেনেদ ৩, দিতোনেতর ৬, শিঙ্গল বেরেল গন ২, পিষ্টোল ৫, ইয়র পিষ্টোল ১, মেগজিন ১২, নোংমৈ মরু কয়া য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া ফাগৎপা ঙল্লে।

অমরোমদা, অককবা পাউ ফংবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খাইবা, শুমাং লিলা অমদি হন্দক পাঙথোকখিবা সঙাই ফেষ্টিভেলদা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়া লান্থোকপা মীওইশিংদা কিহন খঙহনবদা চেন্নবা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই ৪ ফারে। মনিপুর পুলিসনা ঙরাং প্রিপাককী কাদর ১, বিষ্ণুপুর জিলাগী ঙাইখোঙ খুলেন অৱাং লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদগী ফাখি। মঙোন্দগী স্তেলিয়োন প্রো গন ২, নম্বর ৩৬ ঐচ.ঈ.হেন্দ গ্রেনেদ ১, নোংমৈ মরু ১৩, ৱাকি তোল্কি সেট, বুল্লেট প্রুফ বেজ অমদি তিন বোক্স ত্রঙ্ক ফাগৎলে। থৌওংশিং অসিদা চেন্নবা কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর ১সু ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খরসোম অৱাং লৈকাইদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ফাখি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কদাংবন্দ ময়াই লৈকাইদগী য়ু.এন.এল.এফ(কে)গী কাদর ১ ঙরাং সেক্যুরিতি ফোর্সনা শজিরোক ময়াই লৈকাইদগী ফাখি। বিষ্ণুপুর জিলাগী থাঙ্গ করাং মনিং লৈকাইদগী কে.সি.পি(নোংদ্রেন খোম্বা)গী কাদর ১ হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা নিংথৌখোঙ মথক লৈকাইদগী ফাখি।

**পোপী (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্স, এন.সি.বি অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা কাংপোকপী জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। জিলা অসিগী মকুই অশাং, লালোই, ৱাকোৎ ফাই, চালজাং অমদি মসিগী অকোইবদা লৈবা মফমশিংদা লম একর ৬৭ রোমদা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং নুমিৎ নিনি চংনা য়াম্থৎতুনা মাংহনখিবনি। মসিদসু নত্তনা মফমশিং অদুদা লৈরম্বা পোপী থাবদা শিজিন্নবা হার বেগ ৪৪, নাপী হিদাক ৪৩,

থুম বেগ ২৬, খাঙপোকশঙ ৩৮ য়াওনা অতৈ পোৎলমশিং মফম অদুদা মৈ থাদুনা মাংহনখি হায়রি।

অমরোমদা, রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংশাং পরেংশিংদা থারিবা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী থবক চত্থরক্লিবা অসিদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেননা হায়- সরকারনা অসিগুম্বা থবক পায়খৎলকপা অসিনা উমংশিং অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংগী পুন্সি কনবগা লোয়ননা লৈরিবা আইনশিং নিংথিনা ঙাক শেনদুনা থম্বা ঙমগনি। মহাকা হায়- পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎপগী খোঙথাং অসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নসা মুক্ত ভারতকী মঙলান মঙফাওনহনবা ঙমহল্লগনি। রাজ্য অসিগী মফম অমত্তদা নার্কোতিক্সকা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা ঙমহন্দনবা অসিগুম্বা পোপি য়ান্থৎপগী থবক অসি লেপ্তুনা চত্থনবা মরী লৈনবশিংদা আপীল তৌরি।

**ইংবা (এল)ঃ** সেনাপতি জিলাদা ইংবগী চাং সেলসিয়স দিগ্রি ৪.৩৮ য়ৌরে। রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ এনভাইরনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জনা পীবা অইং অশাগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না কাংপোকপী জিলাদা ইংবগী চাং ৬.৫১, ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা ৬.৭, উখ্রুল জিলাদা ৭, ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদা ৭.৬৬, তামেংলোং জিলাদা ৮.৭৭, বিষ্ণুপুর জিলাদা ৮.৭৯, নোনে জিলাদা ৮.৯৫ য়ৌরে।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা পীবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না- রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিরোম অসিদা লৈচিল কা হেন্না থাবগা লোয়ননা কা হেন্না ইংলবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, সেনাপতি, উখ্রুল, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা লৈচিল কা হেন্না

থারবা য়াই হায়রি।

**মেমোরেন্দম(এল)ঃ** হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নুপী লাল থৌরমদা নুপী লালগী থৌদোক অসিগা মরী লৈনবা পোষ্টেজ স্তাম্প অমা ফোঙবীরমবা রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা নেসনেল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন ৱিমেননা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে। মেমোরেন্দম অদুনা হায়-ইং ১৯৩৯ গী নুপীগী ইহৌ অদু পুৱারিগী য়ামা মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। অসিগুম্লবা থৌদোক অসি মালেমদা মশক তাকবা পোষ্টেজ স্তাম্প অমা ফোঙবা তঙাইফদে। মরম অদুনা, হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা নুপী লাল থৌরম অসিদা রাস্ত্রপতিনা ফোঙবীরমবা আপিল তৌরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ভারতকী পান্দম ওইরিবা 'ভিকাস ভি, ভিরাসট ভি' হায়বা অসিনা কলা সংস্কৃতিগী লমদা হেন্না চাউখৎপা অমসুং মতমগা চুনবা মওংদা পুবা ঙমহল্লগনি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা লৈরিবা কাংলুপ খুদিংমক্কী নাৎ অমসুং চৎনবীবু মতম চুপ্পদা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলকবা মীৎয়েং চংলি। নিউ দেল্লিদা য়ুনেস্কোগী ইন্তর-গভর্ণমেন্তেল কম্মিতি ফোর দ সেফ গার্দিং ওফ দ ইন্তেনজিবল কলচরেল হেরিতেজকী ২০ শুবা মীফম হৌদোকগী থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়-লৈবাক অসি নাৎ অমসুং কলা সংস্কৃতিগী লমদা চাউরবা ইপাক অমগুমা লৈরিবা লমদম অমনি। ভারতকী কলা সংস্কৃতি অসি ইদুনা থম্লম্বা নত্রগা নিংশিং ফুরাশিং অসিদা নত্তনা হৌজিক হৌজিক ঐখোয়না নুমিৎ খুদিংগী পাঙথোক্লিবা ধর্মগী ওইবা থৌরমশিং, হরাউ কুম্মৈ অমদি তোঙান তোঙানবা খূৎ-শা হৈবগী পোখোকশিং অসিনসু লৈবাক অসিবু মৈহৌরোলগী ৱারিশিং তাক্লি।

ভারতনা ইন্তর-গভর্ণমেন্তেল কম্মিতি ফোর দ সেফ গার্দিং ওফ দ ইন্তেনজিবল কলচরেল হেরিতেজকী ২০ শুবা মীফম ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী

১৩ ফাওবা নিউ দেল্লিগী রেদ ফোর্টতা পাঙথোক্কনি।

**লোক সভা ঃ** জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী অখন্নবা খন্ন-নৈনবা লোক সভাদা ঙসি পাঙথোল্লগনি। সরকারগী পাউনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা খন্ন-নৈনবা অসি হৌদোক্কনি। মসিগীদমক সভাদা পুং ১০গী মতম কাইথোল্লগনি হায়রি। পাউমীশিংগা উনবা অমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- নোংম চুপা চথগদবা অখন্নবা খন্ন-নৈনবা অদু নুমিৎযুংবা পুং ১২ দগী হৌগনি।

**জম্মুঃ** জম্মু কাশ্মিরগী জোদা জিলাগী মনুং চন্না লৈবা অশুকপা উমং অমদগী তেরোরিষ্টশিংনা লোত্তুনা লৈরম্বা মফম অমদগী নোংমৈ অমসুং নোংমৈ মরু কয়া সেক্যুরিতি ফোর্সনা ফাগৎলে হায়রি। জম্মু কাশ্মির পুলিস, সি.আর.পি.এফ অমসুং স্পিসিয়েল ওপরেসন গ্রুপ(এস.ও.জি)গী অপুনবা কাংবু অমনা জিলা অসিগী বলারাগী উমংদা থিবা হুন্বগী থবক চথবদা য়ান্নবা খূৎশু খূৎলাইশিং ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইন্দিগো ফ্লাইট কেন্সেল তৌবগী ৱাথোক, কোকোমিগী মীফম অমদি রিজর্ভ ফেরেষ্টতা লম্বী শেমজিল্লকপগী পাউনা ঙসি ফোঙবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা- ইম্ফাল রিংরোদ মতম চানা লোইশিনবা ঙমগদৌরিব্রা, থবক হৌখ্রবসু অয়াম্বা শেল পুথোক্কদৌরিবা এ.দি.বিগা গভর্ণমেন্টকা এগ্রিমেন্ট সাইন তৌনদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- ষ্টেটকী এন.পি.পিদা

য়াওরম্বশিংনা অনৌবা পার্তি অমা শেম্বা য়ানা লৈরে হায়বা পাউ অমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

লো না য়াদবা মওংদা লম লানশিন্দুনা লম্বী শেমজিল্লকপা, মীয়ামগী খোঙচৎ চৎখ্রে, মখাসু চথুরকখিগদৌরি হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা ঙরাংসু ফ্লাইট ৬৫০ কেন্সেল তৌখি, দি.জি.সি.এনা ইন্দিগোগী সি.ঈ.ওদা সো কোস নোতিস পীখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রিজর্ভ ফোরেষ্টতা কুকিশিংনা লম্বী শেমজিল্লকপগী মায়োক্তা রেল্লি চৎখ্রে, লৈঙাকা মীৎয়েং চংদ্রি ফাওবা খুঞ্জাশিংনা মখা তাবা খোঙজং চংশিনগদৌরি হায়বা পাউ অসি- সনালৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিদা- ইরাং থোক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মপাল লমদগী মীওই কয়া লায়েংবা লাক্লম্মি হায়বা ডোক্তর লেনিনগী ৱাফমসু অহানবা লামাইদা ফোঙলি।

জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমিগী দাইরেক্তরগী মথক্তা পুলিসনা লৌখৎপা, ক্রিমিনেল কেসকী ইনভেষ্টিগেসন লোইশিলহনবীয়ু হায়দুনা হাই কোর্টতা ক্রিমিনেল পিতিসন ফাইল তৌরক্লে হায়বা পাউ অসি- হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা- য়ু.কে.এন.এল.এফকী কম্মান্দর ইন চিফ ফারে, গেং খুৎপু লিংখৎলগা মী ফাদুনা রেন্সম তাল্লম্লে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর মেলদা- লম একর ৬৭ তা থারম্বা পোপী পাম্বীশিং য়াম্থৎখ্রে হায়বা

পাউ অসি অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা- লূপা কোতি ৬১০ রোমগী তিকেটকী শেনফম ইন্দিগোনা হন্দোকখ্রে হায়বা পাউ অসি অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর পব্লিক সর্ভিস কম্মিসননা লৌগদবা এসিসতেন্ট প্রোফেসরগী পোষ্টশিং কৌরকপদা হোম সাইন্স য়াওরক্তবা অসিদা মীয়াম নুঙাইনদ্রে হায়বা পাউ অসিনা- পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- অনক্লেম ফন্দস কম আর.বি.আই ফাইনান্সিয়েল লিতরেসি প্রোগ্রাম হায়বা অসিদা পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল এৱেয়রনেস কেম্পেইন মখান সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা- ১৮ শুবা ষ্টেট লেভেল ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেলগী মনুং চন্না পাঙথোক্কদৌরিবা ওরেঞ্জ কম্পিতিসনদা শরুক য়াননবা কোমলা পুথোকপা মীওই ৩৯৭ চেরোল থাজিল্লকখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- তৌশেম খুলগী মনাক্তা লৈবা মক্রু তুরেলগী খোঙবালদা নৌনা শেম্বা মোদেল ভিলেজ অমা ওইরিবা জেনমদি ভিলেজ শঙ্গাখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

**--পাউ লোইজরে--**